# এন ঈ গেমসতা মণিপুরনা পূন্না মেদল ৪৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়নগী লম্বী নক্লা লৈরে

**Medal Tally**

| State | G | S | B |
|---|---|---|---|
| Manipur | 21 | 14 | 8 |
| Mizoram | 11 | 9 | 4 |
| Nagaland | 3 | 1 | 16 |
| Tripura | 7 | 9 | 20 |
| Sikkim | 1 | 0 | 4 |
| Meghalaya | 0 | 0 | 15 |
| Arunachal | 0 | 7 | 16 |
| Assam | 0 | 3 | 9 |

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ ঃ

মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শিন্দুনা চথরিবা নেসনেল লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০১৬ কী ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তা যূম্বু ওইরিবা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৫, শিলভর মেদল ৬, ব্রোঞ্জ মেদল ২ পূন্না মেদল ১৩ ফংখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেদল ৪৩ ফংদুনা টিম পুম্নমক্তগী মাঙজিল থানা লৈদুনা টিম চেম্পিয়নগী আশা য়াম্না নক্লা লৈখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী হোকি ফাইনেলদা মণিপুরনা মিজোরাম ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর গোল্ড মেদল, মিজোরামনা শিলভর মেদল ফংখ্রে। থার্দ প্লেস অমসুং ফোর্থ প্লেসকী মেচতা আসামনা ত্রিপুরা গোল ১১-০ দা মায়থীবা পীদুনা আসামনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিগী মল্টি পর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা নুপাগী জুদো মশান্নগী কেজি ৯০ মখাগী কাঙলূপ্তা মিজোরামগী জোনাথন্না গোল্ড, মণিপুরগী কে ঐচ বসন্তনা শিলভর মেদল অদুগা মেঘালয়াগী জে শ্রী কান্তনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপাগী কেজি ৮১ মখাগী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী কে ঐচ অজিৎনা গোল্ড মেদল, ত্রিপুরাগী নবির হুসেন্না শিলভর মেদল, মিজোরামগী ভনলাল রিংজুৱালা অমসুং মেঘালয়াগী গুরপ্রিট সিংহনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপীগী কেজি ৫৭ মখাগী কাঙলূপ্তা মিজোরামগী আর ভনরাম্মৱিনা গোল্ড, মণিপুরগী এল লুবিনানা শিলভর, ত্রিপুরাগী মৌসুমি অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মাইকেল নাতুংনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা এথলেটিক মশান্নগী নুপীগী দিস্কস থ্রোদা ত্রিপুরাগী পুরবি দেবনাথনা গোল্ড, মিজোরামগী রামেং মৌৱি সাইলোন্না শিলভর অদুগা নাগালেন্দগী কুইলুনা শিলভর মেদল ফংখ্রে। নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ত্রিপুরাগী হবিবিমিয়ানা গোল্ড, মণিপুরগী এন কোনুংজাওনা শিলভর মেদল, ত্রিপুরাগী সকিম হুসেননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ত্রিপুরাগী মধুবিলা দেবনা গোল্ড, ত্রিপুরাগী ফটিমা বেগমনা শিলভর, নাগালেন্দগী টি সুজেটনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। নুপাগী লোঙজম্পতা মণিপুরগী কে রোমেসচন্দ্রনা গোল্ড, ত্রিপুরাগী জিতেন দেববর্মনা শিলভর, নাগালেন্দগী মহুসাওনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। নুপাগী ৪X১০০ মিটর রিলেদা ত্রিপুরানা গোল্ড, মণিপুরনা শিলভর, নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। নুপীগী ৪X১০০ মিটর রিলেদা ত্রিপুরানা গোল্ড, মণিপুরনা শিলভর, নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা সাই এস এ জিগী হোলদা পাঙথোকখিবা ৱেথলিফটিং মশান্নগী নুপীগী কেজি ৬২ গী কাঙলূপ্তা অরুনাচল প্রদেশকী য়ুকার টাইচাক্লা গোল্ড, অরুনাচলগী থিনচাই ৱাঙসুনা শিলভর অদুগা মণিপুরগী এল পাইখোম্বনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপাগী কেজি ৬৯ কী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী এল সুন্দরজিৎনা গোল্ড, অরুনাচল প্রদেশকী লালপুর রোমানা শিলভর, আসামগী কৌসিক বরুৱানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। নুপাগী কেজি ৭৭ গী কাঙলূপ্তা অরুনাচল প্রদেশকী কোজুম টাবানা গোল্ড, মণিপুরগী এ অর্জুননা শিলভর, আসামগী পবির নিয়োগনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপীগী কেজি ৬৩ গী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী কে রোসিলাতানা গোল্ড, আসামগী পোমপি সাইকিয়ানা শিলভর, অরুনাচল প্রদেশকী মিনু মোরিজুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপীগী বোক্সিং মশান্নগী কেজি ৫২ গী ফাইনেলদা অরুনাচলগী এস ঐচ সিলা দেবী অমসুং মণিপুরগী ঐচ মাহে অনীনা শান্নরগনি। নুপাগী কেজি ৫৪ গী ফাইনেলদা মণিপুরগী কে ঐচ হরিদাস অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী কোগাম পোলামগা শান্নরগনি।

নুপীগী কেজি ৫৪ গী ফাইনেলদা মিজোরামগী লালফাজুৱালি অমসুং আসামগী জমুনা বোরো অনীনা শান্নরগনি। নুপাগী কেজি ৫৭ গী ফাইনেলদা মণিপুরগী কে সুরচন্দ্র অমসুং অরুনাচলগী খুমপৌ ৱাংচা অনীনা শান্নরগনি।

নুপীগী কেজি ৫৭ কী ফাইনেলদা মণিপুরগী কে ঐচ সমিম বানু অমসুং মিজোরামগী দোরোটি অনীনা শান্নরগনি। নুপাগী কেজি ৬০ গী ফাইনেলদা মেঘালয়গী ৱাংগুদিন অমসুং মণিপুরগী এল জোনসন অনীনা শান্নরগনি। নুপীগী কেজি ৬০ গী ফাইনেলদা মিজোরামগী লালবুৱা সাহি অমসুং মণিপুরগী কে এস ঐচ টিলোতমা চনু অনীনা শান্নরগনি। নুপাগী কেজি ৬৩ গী ফাইনেলদা মণিপুরগী কে ঐচ জোনসন অমসুং মেঘালয়গী অর্বিন প্রধান অনীনা শান্নরগনি।






# ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনলে চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ ঃ

ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা টিম ২০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা নুপা অমসুং নুপীগী ৩২ শুবা ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সেমী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল টিম এবু পাঞ্জল ৯-২ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর পুলিস টিম এ ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অহুমশুবা চক্র ফাওবদা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্মখিদে।

য়াম্না হৈশিংলবা অমদি এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয় ঙাক্তা ওইরিবা মণিপুর পুলিস টিম এগী শান্নরোয়শিং ইন্টরনেসনেল প্লেয়র ঙাক্তা ওইজরবসু য়াম্না নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা শেন্বা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী শান্নরোয়শিংবু লাকশিনবদা ৱাখি।

য়াম্না চহী নৌরিবা তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং থৱায় হকচাং য়াওনা মণিপুর পুলিস টিম এগী মায়োক্তা শান্নরকখি।

অহানবা চক্রদা মণিপুর পুলিসকী এস বিমোলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলদগী পাঞ্জল মাঙজিল থানা চংখি। অনীশুবা চক্রদা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী সি ঐচ অজিৎনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা লৈনখি। চক্র অদুগী লোইশিল্লকপদা মণিপুর পুলিস টিম এগী এম বিমোলনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা মণিপুর পুলিস টিম এগী এম জৱান্না পাঞ্জল অনী থংনা থংননা চন্দুনা টিমগী পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা চক্রদা মণিপুর পুলিস টিম এনা পাঞ্জল ৫ থংনা থংননা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। পাঞ্জলশিং অদু এম জৱান্না পাঞ্জল ৩ অদুগা এস অবুংচানা পাঞ্জল ২ চনখি। চক্র অদুদা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী আই সচিন্দ্রোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল অনী শুখি। কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল মণিপুর পুলিস টিম এগী মখুৎতা মায়থীদুনা ফাইনলেগী আশা কায়খি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেচতা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবনা চাউনা মায় পাকচরবসু মেচ অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা চক্র ফাওবদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী অনীশুবা চক্র ফাওবদা টিম অমত্তনা পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং অহুমশুবা চক্রদগীদি থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা অকনবা এটেক চথবা হৌখি। অহুমশুবা চক্র অদুদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবকী এস লাংলেন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমদুগী মায় পাকপগী লম্বী শেন্বা হৌখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা চক্রদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবকী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কে ঐচ হাবে দেবীনা পাঞ্জল অহুম থংনা থংননা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি।

হয়েং নুপাগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ কোংপাল ষ্টুদেন্ট ক্লব অমসুং ঈ এস সি টিম এ নোংমৈবুং অনীনা শান্নরগনি।





**L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS**

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No | POST | QUALIFICATION | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/ LLM | 18-30 | H.Q | 2 |
| 2. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | 18-25 | H.Q | 3 |
| 3. | Accountant | B.COM/M.COM with Tally | 20-30 | H.Q | 3 |
| 4. | Office Assistant | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Thoubal | 2 |
| 5. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Moirang | 2 |
| 6. | Office Assistant | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Sekmai | 3 |
| 7. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Samurou | 2 |
| 8. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Nambol | 2 |
| 9. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Ghari Airport Road | 8 |
| 10. | Driver {Truck(LOCAL) & CAR} | 3 to 5 yrs. experience | 18-25 | H.Q | 2+2 |
| 11. | MECHANIC | 2/3/4 Wheeler | 18-25 | H.Q | 2+2+2 |
| 12. | HELPER | | 18-25 | H.Q | 5 |
| 13. | Grade-IV | VIII Pass | 18-25 | H.Q | 4 |
| 14. | Brick Mistry/Jugali | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 5+5 |
| 15. | Electrician | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 3 |


BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING opp. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, AIRPORT ROAD.

HL-B/2918/4/2-20/3(alt.)





HL-B/2986/1-20 March





HL-B/2883/10,13,16,19,22,25,27,30Jan




H/L-B/2953/10/02-9/03




HL-B/2952/10/02-9/3




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com